# ময়ূম মকৈ লৈত্রবা রিফ্যুজিশিংনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

রিফ্যুজি হায়রগা ঐখোয়না চঙজরকপা মীবু খঙনৈ। লান তৌনবদগী মরৈবাক থাদোক্তুনা চেল্লকপা, হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন তৌরুবদগী অতোপ্পা লৈবাক অমদা চেল্লক্তুনা চঙজফম লৌরবনচিংবনি। চাক তাঙবা, ঈশিং চাওবা, অকনবা নোং-নুংশিৎনা য়ূম-কৈ থুদেকপা, লৌউ-শিংউবদা খুদোংচাদবা, মহৈ মরোং লোকপা ঙমদবা, কাঙলূপ কাঙলূপশিংনা খৎনদুনা লান শোক্লবনচিংবা হীরম কয়ামুক্তা লৈবাক অমগী মীওই কয়ামুক অতোপ্পা লৈবাক অমদা চঙজফম লৌই হায়বা ঐখোয় পূম্বনা খঙনরি।

মালেম অসিদা হৌজিক চঙজফম লৌদুনা লৈবা মীওই 'রিফ্যুজি' মিলিয়ন ২৫.৪ লৈরি। মসিগী মনুংদা সহারা মরুভুমি (অফ্রিকা) দা মীওই মিলিয়ন ৬.২৩৬ লৈদুনা রিফ্যুজি খ্বাইদগী য়াম্না থম্বা মফম ওইরি। য়ুরোপ অমসুং অৱাং থংবা এসিয়াদা মিলিয়ন ৬.০৮৮, এসিয়া অমসুং পেসিফিক্কী মফমদা মিলিয়ন ২.৬৫৩ অমসুং অমেরিকা অনীদা ৪৮৪২৬১নি। য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসন অশম্বীদা য়ু এন ও হায়না খঙনবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ওর্গনাইজেসন অসিগী য়ুনাইটেদ নেসন হায় কম্মিস্নর ফোর রিফ্যুজি (য়ু এন ঐচ সী আর) হায়বা মমা লৈবাক থাদোক্লল্লগা চেল্লক্তুনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংবু য়েংশিনবীদুনা মখোয়দা লৈফম চাফম, চান-থক্লবা থৌরাং তৌবদা নত্তনা মহৈ-মশীন অমদি শান্ন-খোৎনবা, জগোয় ঈশৈনচিংবা তম্বীনবা থৌরাং কয়ামরুম মায় পাক্লা পায়খৎলি। কুমজা ১৯৫০দা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইখ্রবা মতুংদা মীওই মিলিয়ন কয়ামুক য়ুরোপ্তা ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিবা অমদি মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়ামুক্কী ময়ূমশিং বোম থাদবদা মাঙখিবা, থুদেকখিবনচিংবনা মরম ওইদুনা য়ু এন ঐচ সী আরনা চহী অহুমদা লান্দা য়ৈখাই থিনগাইবা, মৈ চাকখিবা য়ূমশিং অদু অমুক হন্না শাখি। চহী ৭০গী মমাঙদা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা হৌজিক ফাওবা রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাংনবা, মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা অকনবা থৌদাং লৌরি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ফনবা হোৎনবা অসিগী মতিক মগুন অসিনা য়ু এন ঐচ সী আর অসি কুমজা ১৯৫৪দা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখি।

কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাকনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজিগী ওলিম্পিক টিম অমা শেমদুনা মালেমদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিং অসিগী ৱাখল্লোন অদু অৱাংবা থাক্তা হেন্না ৱাংহন্নবা মখোয়দা লৈরিবা শান্নবগী হৈশিংবা মতিক মগুনশিং অদু মালেম অসিদা উৎথোকহন্দুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়দুনা রিফ্যুজিশিংগী টিম অমা শেমখি। তৌইগুম্বসুং ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চার্টরগী মতুংইন্না রিফ্যুজিগী টিম অদু এফিলিএট তৌবা য়াখিদে মরমদি মখোয়গী মথৌ তাবা চে চাং শুনা লৈরমদে। মরম অদুনা কুমজা ২০১৬তা রিও-দি-জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিপেন্দেন্ট ওলিম্পিক পার্টিসিপেন্ট ওইনা নাইতোম ওইনা মশা মশাগী তোঙানবা মওংদা শরুক য়াহনখি।

কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাকনা 'রিফ্যুজি' মরক্তগী শান্নরোয় মঙাদগী তরা ফাওবা শরুক য়ানবা খঙহনখি। মসিগী মথক্তা মালেম অসিদা রিফ্যুজিশিংগী অৱা অনা তারিবা অমদি থৌদোক ময়াম অসি খঙহন্নবা ওলিম্পিক অসিদা মখোয়শিং অসি শরুক য়াহন্নীংই। মসিগী মথক্তা মালেম অসিদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিং অসিগীদমক্তা মীয়াম্না লেপ্পি, মখোয়বু শৌগৎপীরি হায়বা খঙহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্স রিফ্যুজি এজেন্সীনা সিরিয়াগী রিফ্যুজি এথেন্সতা লৈবা কেম্পতগী ইব্রাহিম অল-হুশেন কৌবা অমবু ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়হন্দুনা ইলিওনাস কৌবা মফমদা রিফ্যুজিকী অমদি মীরৈবাক্তগী হোংলকপা মীয়াম্না লৈবা কেম্প অদু ফাওদুনা কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়দুনা চেলহনখি।

IOC Refugee Olympic Team অসি কুমজা ২০২০দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিপেন্দেন্ট ওলিম্পিক পার্টিসিপেন্টস হায়না শরুক য়াহনখি। মসিনা মখোয়গী অনীরকশুবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবনি, হন্দক্তি শান্নরোয় ২৯না শরুক য়াখি, মখোয় লৈবাক ১১দগীনি অদুগা মখোয়বু ত্রেনিং পীবীনবগীদমক লৈবাক ১৩না য়ূম্বু ওইদুনা ত্রেনিং অমসুং কোচিং তৌবীখি। রিফ্যুজি এঠলেটিক্স প্রোগ্রামগী মখাদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা মখোয়বু স্কোলরশিপ পীখি। ওলিম্পিক হৌবগী থৌরমদা মখোয় অসি মকোক্তা চৎলিবা গ্রিসকী হেক মথংদা মার্চ পাষ্ট চৎখি। মরমদি ওলিম্পিক গেমস হৌদোকখিবা গ্রিসনা মার্চ পাষ্টতা ময়ামগী মকোক্তা চৎহল্লি। মসিগী মতুংদা জপানগী অলফাবেটকী মতুংইন্না চৎহনবদা জপানিজগী অর্থদা AI O Si (Refugee) নি।

কুমজা ২০২১গী জুন ৮দা টিম অসিগী শান্নরোয় খনখি মদুদা শান্নরোয় অদু করম্বা লৈবাক্তা পোকই, মহাক করম্বা লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি অমদি করম্বা মশান্নদা শরুক য়াগদবনো হায়বা ময়েক শেংনা তাকখি। খুদমদি দোরিয়ান কেলেতেলো, পোকফম : কোঙ্গো, মহাক্না য়াওগদবা লৈবাক : পোর্টুগল, মহাক্না শরুক য়াগদবা হীরম : মিটর ১০০গী লমজেলনি। রোজি লোকোনয়েন কৌবী মখা থংবা সুদানগী চহী ২১শুরবা নুপী এঠলিট অমনা মিটর ৮০০গী লমজেলদা শরুক য়াখবদা মহাক্কী হিৎতা তরেৎশুবা তাখি। মহাক্কী রেকোর্দতি মিনট ২ সেকেন্দ ১৬.৬৪নি। লমজেল অসিদা হিটকী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাবা খনগৎলগা মথং মথং সেমিফাইনেল য়ৌরবশিংদগী ফাইনেলদা লমজেল্লোয় ৮না শরুক য়াহনখি।

কুমজা ২০১৬কী সম্মর ওলিম্পিক্তা পোপোলে মিশেঙ্গা কৌবা নুপা অমগা য়োলান্দে মাবিকা কৌবী দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগাদগী ব্রাজিলদা ত্রেনিং তৌহনখিদুনা জুদোদা শরুক য়াখি। পোপোলে মিশেঙ্গানা ইন্দিয়াগী অভতার সিংহগা সেকেন্দ রাউন্দদা লম্বা তৌনবদা মহাক্না মায় পাকখি অদুবু অহুমশুবা রাউন্দদা খা কোরিয়াগী গৱাক দোঙ-হানগা ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বা তৌনবদা মায়থীবা ফংখি। মাবিকাদি রিও ওলিম্পিক (২০১৬) তা চহী ২৮ শুরে। ওগষ্ট ১০দা মহাক্না নুপীগী কেজি ৭০গী অহানবা রাউন্দদা ইজরেলগী লিন্দা জেলদরনা মায়থীবা পীখি। মহাক ১৭শুবা তাখি। নুপীমচা অমগা নুপামচা অমগা ইরোইবগী থৌরমদা শরুক য়াখি। রানি অনিশ সাইরিয়াদগী হৌরকপীনি, হৌজিক্লা জর্মনিদা লৈ। এসিষ্টেন্ট কোচ অমসু সিরিয়াদগীনি, মহাক্কী মমিংদি খামিস এগিয়র কৌই। রানি অনিশ চহী ২৫ শুরে। ওগষ্ট ৯দা মহাক্না মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা অহানবা রাউন্দদা শরুক য়াখি। হিটশিং অসিদগী খ্বাইদগী ফবা ১৬ খনগৎলগা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনহনখি। মহাক্কী হিৎতা শান্নরোয় ৮গা লম্বা তৌনবদা তরুকশুবা তাখি। মথংদা ওগষ্ট ১১দা নুপাগী মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইগী অহানবা রাউন্দদা মহাক্না সেকেন্দ ৫৬.২৩দা লমথুংফম য়ৌদুনা মনীং ইথং থংবদা লাকখি। মহাক অপূনবা ওইনা রেঙ্ক ৪০দা লৈখি, অদুনা মহাক মখা তাবা রাউন্দদা য়াওহনখিদে।

কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিক্তা মারদিনি চহী ১৮ শুরে। ওগষ্ট ৬তা মহাক্না নুপীগী মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইদা অহানবা রাউন্দদা শরুক য়াবদা হিৎতা মায় পাক্তুনা মিনট ১ সেকেন্দ ৯.২১গী মনুংদা লমথুংফম য়ৌবা ঙমখি। অদুবু সেমিফাইনেলদা খ্বাইদগী অফবা শান্নরোয় ১৬ খনগৎপদা মহাক্তি য়াওবা ঙমখিদে, মহাক্তি ৪০শুবদা লৈখি। মহাক্কী অনীশুবা থৌরমদি নুপীগী মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলনি। মদুদা মহাক্না মিনট ১ সেকেন্দ ৪.৬৬ চঙনা ইরোইদুনা মহাক্কী হিৎতা তরেৎশুবা তাখি। অপূনবগী ওইনদি মহাক্কী রেঙ্ক ৪৫ ওইখি।

টোকিওদা শরুক য়াখিবা রিফ্যুজি অদুদা লৈবাক ১১দগী রিফ্যুজি ২৫দা লৈফম চাফম অমদি ত্রেনিং অমসুং কোচিংগীদমক লৈবাক ১৩না য়ূম্বু ওইদুনা মতেং পীরি। মখোয়না ওলিম্পিক্তা দিসিপ্লিন ১২দা শরুক য়াখি। ইন্টরনেসনল জুদো ফেদরেসন রিফ্যুজি প্রোজেক্টকী জুদোকা মরি হেন্না হাপচিন্দুনা মেম্বর ২৯ ওইখি। ওলিম্পিক্কী ওপনিং সিরেমোনিদা মার্চ পাষ্ট চৎখিবদা খ্বাইদগী মমাঙদা ফিরাল পায়দুনা চৎখিবা গ্রিস লৈবাক্কী মথংদা রিফ্যুজিগী টিম অসিনা অনীশুবদা চৎহনখি। টিম অসিগী Chef de Mission দি তেগলা লোরোপেনি। মহাক নুপীনি। মহাকপু দেপ্যুটি Chef de Mission ওলিভিয়ার নিয়ামকেয়না মতেং পাংখি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা টোকিও ওলিম্পিক লোইরবা মতুংদা রিফ্যুজি এথলিটশিং অসি মতেং পীরি। ●

# "ইন্দিয়ানা থোমাস কপ লৌরে. পুরারী শেম্লে, মণিপুরগী শান্নরোয়দি করম তৌরি"

**- হোদাম মামচা (জ্ঞানেশ্বর) -**

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা থা অসিগী হৌখীবা তাং ৮দগী ১৫ ফাওবা টোতেল ইনরজিস বি দব্লিয়ু এফ থোমাস কপ অমদি উবর কপ ফাইনেলস,২০২২ পাঙথোকখি । থোমাস কপতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দোনেসিয়াবু ফাইনেলদা ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা চহি ৭৩ চুপ্পা পাঙথোক্লল্লবা ইভেন্ট অসিগী ইন্দিয়ানা থোমাস কপ অহান্বা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

সার জের্জ এলান থোমাস, সেভেন্থ বারোনেট অসি মতম অমগী বৃটিস বেদমিন্টন, টেনিস অমদি চেছ প্লেয়ারনি । ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন ফেদেরেসন (হৌজিক্লা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন ফেদেরেসন) না অহান্বা ওইনা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ স্বিদেনগী মালমোদা কুমজা ১৯৭৭ তা পাঙথোক্ত্রিঙৈদা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপকী ৱিন্নর ওইববু অনওফিসিয়েল ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইনা লৌনরম্মী । সার জের্জ থোমাসনা ওল ইংলেন্দ অসিদা পুন্না টাইতল ২১ (সিঙ্গলস তা ৪, দবলস তা ৯ অমদি মিক্স দবলসতা ৮) লৌদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা শান্নরোয় ওইরি । মহাক অসি ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন ফেদেরেসনগী কো-ফাউন্দরনি অদুগা কুমজা ১৯৩৪দগী ১৯৫৫ ফাওবা আই বি এফকী প্রসিদেন্ট ওইখি ।

কুমজা ১৯০০দা পাঙথোকপা হৌখিবা টেনিসকী দেবীস কপ অমদি ফুটবোলগী ৱর্ল্ড কপ ১৯৩০না পূক্নীং চীংশীন্দুনা সার জের্জ থোমাসনা ১৯৩৯দা হৌদোক্লকপা ৱাফম আই বি এফনা য়ানরকখি অমদি মহাক্না থোমাস কপ ট্রোফী অসি চহি অসিমক্তদা খুদোল তমখি । টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯৪১-৪২দা হৌননবা থৌরাং তৌখি অদুবু অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱারনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯৪৮-৪৯দা অহান্বা ওইনা পাঙথোকখিবনি ।

থোমাস কপ অসিগী খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি কম্পিটিসন ৩২রক পাঙথোকখিবা অসিদা ইন্দোনেসিয়ানা ১৪ রক ৱিন্নর ওইদুনা খ্বাইদগী মায় পাক্লি । কুমজা ১৯৮২দগী য়াওবা হৌরকখিবা চাইনানা ১০ রক টাইতল লৌখ্রে, মলেসিয়ানা ৫ রক জাপাননা অমুক্লক লৌদুনা এসিয়ানা থৌমাস কপ খুদুম চন্দুনা থল্লকখিবনি । কুমজা ২০১৬তা দেনমার্কনা ইন্দোনেসিয়াগা ফাইনেলদা ৩-২দা থোইদুনা অহান্বা অমদি হৌজীক ফাওবদা অমত্তা ঙাইরবা এসিয়া ৱাংমগী টাইতল হোলদর ওইরি। হন্দক বেঙ্কোকতা পাঙথোকখীবা ৩২শুবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্দিয়ানা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দোনেসিয়াবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা ইতিহাস শেমদুনা টাইতল হোলদর ওইখি। লোয়ননা এসিয়া মহাদেসনা থোমাস কপ খুদুম চন্বদা ইন্দিয়াসু য়াওশিনখি ।

নৈনবা য়াবদি ইন্দিয়ানা ২০২২গী ফাইনেল অসিদা করম্না টাইতল হোলদর ওইরকখিবনো হায়বা অসিনি । থোমাস কপ ফাইনেল অসি রাউন্দ রোবিন অমদি নোক আউট ষ্টেজ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি । টিম ১৬ খক্তা করম্না য়াওরিবনো হায়বসি হংনিংগনি । মসিগী টিম ১৬ খনগৎপগী মওং অসি য়াম্না শাংগদবনা মরম ওইদুনা পঞ্জদ্রে ।

রাউন্দ রোবিনদা গ্রুপ এ, বি, সি, দি হায়না খাইদোক্তুনা টিম মরি-মরিগী ওইনা শান্নখি। ইন্দিয়া না গ্রুপ সিদা অহুমলক শান্নবদা অনী থোইরগা অমা চাইনিজ টাইপৈগী মখুত্তা ২-৩দা মায় থিখি । চৎন-পথাপ্পা মরম ওইদুনা গ্রুপ অমদগী টিম অনি-অনি নোক আউট ষ্টেজ চঙবনা গ্রুপ নম্বর ১ চাইনিজ টাইপৈ অমদি নম্বর ২ ইন্দিয়া অনীমক চঙখি । গ্রুপ অসিদগী জর্মনি অমদি কনাদা লৈহৌখি ।

টিম ৮গী নোক আউট ষ্টেজদা ইন্দিয়ানা ৫রক রিন্নর ওইখ্রবা মলেসিয়াগা শান্নবা তাখি । অহান্বা সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী লকস্যা সেন মলেসিয়াগী লি জী জীয়াগী মখুত্তা ২১-২৩, ৯-২১দা পোখি। অহান্বা দবলসতা সাটৱীক সাইরাজ য়ানকি রেদ্দি অমদি চিরাগ সেত্তিনা গোহ জে ফৈ অমদি নুর অজুদিনবু ২১-১৯, ২১-১৫ দা থোইখি । অনীশুবা সিঙ্গলসতা শ্রীকান্তনা এনজি জে য়োঙবু ২১-১১, ২১-১৭তা থোইখি । অনীশুবা দবলসতা কে পি গারগা অমদি বীসনুবর্ধন গাউদ পনজালা অনী আরোন চিয়া অমদি টিও ঐ য়িগী মখুত্তা ১৯-২১, ১৭-২১ দা পোখি । তায় অসি মেটচ অনী-অনী থোইনদুনা ৫শুবা অরোইবা মেটচ ওইনা অহুমশুবা সিঙ্গলস ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোয় অমদি মলেসিয়াগী লীওং জুন হাওগা শান্নখি । ঐচ এস প্রনোয়না এল জে হাওবু ২১-১৩, ২১-৮দা থৌইদুনা ইন্দিয়াবু সেমিফাইনেল চঙহনখি । গ্রুপ সীদা ইন্দিয়াগী মথক্তা লৈখিবা চাইনিজ টাইপৈদি জাপানগী মখুত্তা ২-৩দা পোদুনা নোক আউট অসিদা লৈহৌখি ।

ইন্দিয়াগী সেমিফাইনেল অসিদি ৱাং চাওবদা খেন্নবতা নত্তনা শান্নবগী মওংসু খেন্নরপ তৌবা য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ২০১৬কী চেম্পিয়ন দেনমার্ককা শান্নবা তাখি । দেনমার্কনা কোরিয়াবু ৩-২দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌরকখিবনি । অহানবা সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী লকস্যা সেন দেনমার্ককী ভীক্তর এক্সেলসনগী মখুত্তা ১৩-২১, ১৩-২১দা শুপ্নগী মীনিট ৪৯দা মায়থীখি । অহান্বা দবলসতা ইন্দিয়াগী চিরাগ সেত্তি অমদি সটৱীক সাইরাজনা দেনমার্ককী কীম এসক্রুপ অমদি মাথীয়াস খৃষ্টিয়ানেসনবু পুং অমা মিনট ১৮ চঙনা অকন্বা লান্বা তৌনদুনা ২১-১৮, ২১-২৩, ২২-২০দা থোইবা ঙমখি । অনীশুবা সিঙ্গলসতা কীদম্বী শ্রীকান্তনা এনটোনসেনবু পুং অমা মিনট ২০দা থোইখি । অনীশুবা দবলসতা কে পি গরগা অমদি ভি ভি গাউদ পনজালা দেনমার্ককী এন্দরস অমদি এস রামমুসেনগী মখুত্তা শুপ্নগী মিনট ৩৯দা ১৪-২১, ১৩-২১ দা মায়থীখি । মতাং অসি ইন্দিয়া-দেনমার্ককী তাই অসি মেটচ ২/২ থোইনদুনা য়াম্না অরুবা ফীভমদা অহুমশুবা অমদি অরোইবা সিঙ্গলস মেটচ শান্নবা তাখি । ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোয় (হাসিন সুনিলকুমার প্রনোয়) না দেনমার্ককী রেসমস জেমকেবু পুং অমা মিনট ১৩ চঙবা লুরবা মেটচ অদুদা ১৩-২১, ২১-৯, ২১-১২ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী অহান্বা ওইনা থোমাস কপ ফাইনেল চঙখি ।

ফাইনেল অসিদি য়াম্না লুবা অমা ওইখি । মায়োক্লগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া অসি রেকোর্দ ওইনা ১৪রক মমাঙদা থোমাস কপ টাইতল হোলদরনি অদুগীসু মথক্তা দিফেন্দিং চেম্পিয়ননি । ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাঙদা ১০রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চাইনাবু ৩-০ দা থোইখি । সেমিফাইনেলদা জাপানবু ৩-২দা থোইদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি ।

ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অহানবা সিঙ্গলস শান্নগদবা লকসয়া সেন ক্বার্টর ফাইনেল অমদি সেমিফাইনেলদা ষ্ট্রেট গেমসতা মায়থীখি । অহান্বা দবলসদি সতৱিক অমদি চীরাগ অনি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী পর্ফোর্মেন্স ফজখিবনা মায় পাক্কনি থাজবা লৈখি । অহুমশুবা সিঙ্গলসকিসু ঐচ এস প্রনোয় লৈবনা থাজবা লৈখি অদুবু থোইগনি অমদি পোগনি চীংনবা অনীমক লৈখি। ইন্দিয়াগী লকস্যা সেন অহানবা সিঙ্গলসকী অহানবা গেম ৮-২১দা মায়থীখি । অদুবু অয়েংবা পুন্নমকসু ঙকহনবগা লোয়ননা অনীশুবা গেম ২১-১৭তা থোইখি। অহুমশুবা য়াম্না লুরবা মরু ওইরবা গেম অদু লকসয়া সেননা এন্থোনি সিনিসুকা গিনতিংবু ২১-১৬তা পুং অমা মিনট ৫দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী থাজবা ৱাংখৎলকখি । অনীশুবা মেটচ দবলসতা সতৱীক অমদি চীরাগনা কেভিন এস অমদি সুকামুলজোবু পুং অমা মিনট ১৩দা ১৮-২১, ২৩-২১, ২১-১৯দা থোইদুনা মায় পাকপদা নকশিল্লকখি । অনীশুবা সিঙ্গলসতা শ্রীকান্তনা সুপ্নগী মিনট ৪৮দা জোনাথান ক্রীস্তীবু ২১-১৫, ২৩-২১দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা তাই অদু ৩-০দা থোইদুনা তাইতল হোলদর ওইখি ।

করিগুম্বা ফাইনেল অসিদা লাষ্ট মেটচ ওইগদৌরিবা থার্দ সিঙ্গলস অদু শান্নবা তারবা ফাওবা ইন্দিয়ানা থোইবগী থাজবা ৱাংনা লৈখি । মরমদি ঐচ এস প্রনোয় অসি ইন্দিয়ানা ক্বার্টর অমদি সেমিফাইনেলদা মেটস ২-২ লৈনবদা লাষ্ট সিঙ্গলস মেটচতা প্রনোয়না থোইদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি । নুংঙাইরীবদি ইন্দিয়াগী টিম খন্নবা থোমাস কপকী সেলেক্সন ত্রাইএলগী লিষ্ট লাওথোকপদা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২৩দা লৈবা ঐচ এস প্রনোয় দাইরেক্ট সিলেক্সন তৌখিবা অদুগা উবর কপকী লিষ্টতা ৱর্ল্ড রেঙ্ক ২৩দা লৈখিবী সাইনা নেহৱালদি ত্রাইএলগী লিষ্টতা য়াওরকখবদা পেন্দবা লৈনখি । প্রনোয় খনখিবগী মরমদি মহাক্না নক্না শান্নখিবা মমাঙগী টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্কী পরর্ফোর্মেন্স ফজবননি হায়নখি । তশেংনসু ঐচ এস প্রনোয়না ক্বার্টর ফাইনেল অমদি সেমিফাইনেল অনিমক্তা লুরবা মতাংদা লাষ্ট অমদি দিসাইদিং মেটচ ওইরীবা সিঙ্গলসতা মায় পাকখবা অসিনা সেলেক্সন অদু চুমখি হায়না তাকপগুম থোকখি ।

থোমাস কপ ৱীন্নর ওইদুনা ইন্দিয়াদি অনৌবা ইতীহাস শেমখ্রে । বেদমিন্টন ৱর্ল্ডদা মনীপুরদি করম্বা থাক্তা লৈরী । মতাং অসিদা খরদং নৈনবা চুমগনি খল্লি । মনিপুরগী কাচিন-কোয়াদি লায়রদনা কেপিটেল ওইরীবা ইম্ফাল সিটি ফাওবদা মপুং ফারবা ইন্দোর বেদমিন্টন হোল লৈত্রি । শান্নবা য়াবা খরদং লৈরীবা অসিসু য়াম্না থেঙনা লৈরকখি । বি এ আই (বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া) না শক খঙবসু থেঙনা খঙখি । অসামগী টুর্নামেন্টনা খ্বাইদগী চাওরবা ওইনা লৌরম্বা মনিপুর অসি বি এ আইনা এফিলিএসন পীরকপগা লোয়ননা কুমজা১৯৭৬তা অহানবা ওইনা কোলকতাদা জুনিয়র নেসনল অমদি ১৯৭৭তা গোৱাদা পাঙথোকপা সিনিয়র নেসনলদা শরুক য়াবা ফংলকখিবদগীদি মশান্না অসিদা মনিপুরদা অহোংবা কয়া লাকখি । চহি কয়া অমদি সুপ্নগী মনিপুর মনুংদা শান্নরগা জোনেল অমদি নেসনল চেম্পিয়নসিপস কুম্বদা শরুক য়াবা নত্তনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং ইন্টরনেসনল লেভেলদা শান্নবগী ৱাখল ইপোক পোক্লদবগুম লৈরম্মী । ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা চহি খরা অসিদা বেদমিন্টনদা চাওনা অহোংবা লাকখি । অহোংবা অসিনা ইনখৎলক্লিবা বেদমিন্টন প্লেয়রশিংদা ৱর্ল্ড ক্লাস প্লেয়র ওইনীংবগী ইথিল ফাওরকখি লোয়ননা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াদুনা মণিপুর মচানা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন কয়াদা ৱীনর ওইবা য়াওনা চাওনা মায় পাকপা হৌরক্লি ।

হন্দক্তা ইন্দিয়ানা ৱিনর ওইখিবা থোমাস কপ, লাক্কদৌরীবা এসিয়ন গেমস অমদি কম্মন ৱেল্থ গেমসকী ইন্দিয়াগী প্লেয়র খন্নবা বি এ আইনা সেলেক্সন ত্রাইএল অমা হৌখিবা এপ্রীলগী তাং ১৫দগী ২০ ফাওবা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখি । মসিদা য়াওননবা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা এম মৈরাবা (সিঙ্গলস), কে ঐচ মনজিৎ অমদি কে দিঙ্কু (দবলস) লোয়ননা কে দিঙ্কু অমদি কে প্রীয়া (মীক্স দবলস) তা য়াওরকখি ।

অসিগুম্বা এসিয়া, কম্মন ৱেল্থ অমদি মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংলবা বেদমিন্টনগী টিম চেম্পিয়নসিপ থোমাস কপকীদমক সেলেক্সন ত্রাইএল মনিপুর মচানা য়াওবা ফংলকপা অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাইনি । ইন্টরনেসনলদি লায়রদনা নেসনলদা ফাওবা ফাষ্ট, সেকেন্দ রাউন্দদগী হেন্না লানখৎপা ৱারম্বা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা বেদমিন্টনদা ৱাংলবা থাক্কী সেলেক্সন ত্রাইএল য়াওরকপা হায়বসি ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইবগী ৱাখল্লোন অদু য়াম্না লাপ্পা নৎত্রে হায়বা তাক্লকপগুম্বনি । শান্নরোয়শিংনা লন্নাই হোৎনজবা এসোসিএসননা শেমগৎপা খরাখক নত্তনা মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লা নিংথিনা শৌগৎপীরবদি ইকুই কুইদনা মনিপুরদগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওলেম্পিয়ন ওইবতা নত্তনা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট ফাওবা লৈরক্কনি হায়বসি চেৎনা থাজবা য়ারক্লবনি ।

মমাঙগী সিলেক্সন ত্রাইএল অদুদা ঐখোয়গী শান্নরোয় ৪ (মরি) করম তৌখি । মখোয় য়াম্না শোনখিব্রা হায়বদু খরদং নৈনবা য়াই ।

ত্রাইএল অসি ষ্টেজ অহুম থোক্লা শান্নখি । ষ্টেজ ১দা মেন্স সিঙ্গলসতা শান্নরোয় ২৪না গ্রুপ এ, বি, সী, দি, ই, এফ, জি, ঐচ হায়না খাইদোক্তুনা শান্নখি । মনিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবা গ্রুপ ঐচতা সতিসকুমার কে অমদি চিরাগ সেন পুনখি । মৈরাবানা সটিসপু ২১-১৮, ২১-১৫দা থোইখি অদুগা চিরাগ সেনবুসু ২১-১৬, ২১-১৯দা থোইদুনা গ্রুপকী লীদর ওইনা ষ্টেজ ২ গ্রুপ দিদা চঙখি । ষ্টেজ ২দা মৈরাবা মীথুন এমগী মখুত্তা ১২-২১, ১৬-২১দা মায়থীখি। রঘু এমগী মখুত্তসু ১৪-২১, ২১-১২, ১৯-২১দা পোখি । মহাক্লা গ্রুপ অসিগী নম্বর ১ সমির ভর্মাবুদি ১৫-২১, ২১-১৯, ২১-১১দা থোইখি অদুবু মীথুন এম অমদি রঘু এমনা মৈরাবদগী থোইখিবনা পোজিসন ১-৪, ৫-৮, ৯-১২গীদমক চঙবা ঙমখিদে । করিগুম্বা মৈরাবনা মীথুন নৎত্রগা রঘু অনিগী মরক্তা অমা থোইরল্লবদি রেঙ্কিং ১-১২গী লমজেলদা য়াওরমগদবনি । মহাক্কী লাইবক থীখিবদি রঘু এমদা দিসাইদিং গেমদা ১৭-২১দা পোখিবা অসিনি ।

মেন্স দবলসতা জুরা ১৩না গ্রুপ এ, বি, সি, দি হায়না খাইদোক্তুনা শান্নখি। কে ঐচ মনজিৎ অমদি কে দিঙ্কু গ্রুপ বিদা সিদেদ নম্বর ২ ওইরীবা মানু অত্রি, বি সুমিথ রেদ্দি অমদি ইসান ভাতনাগর, আই কে সাই প্রথেককা পুনখি। মানু অত্রি সুমিথ রেদ্দিগী মখুৎতা ২৪-২৬, ১৪-২১দা পোখি অদুগা ইসান ভাতনাগর/কে সাই প্রথেককী মখুত্তা য়াম্না নকশীন্ননা লান্বা তৌনবা মেটচতা ২১-১৫, ১৬-২১, ২১-২৩দা মায়থীখি । লোয়ননা ষ্টেজ ২ চঙবা ঙমখিদে । পুক্নীং চীংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি মনজিৎ/দিঙ্কুগী গ্রুপ বিদগী কাখিবা ইসান ভাৎনাগর/কে সাই প্রথেক পোজিসন ২ অমদি মানু অত্রি/সুমীথ রেদ্দী বি পেজিসন ৩দা লৈখি । করিগুম্বা মনজিৎ/দিঙ্কুনা ইসান ভাৎনাগর/কে সাই প্রথেকগা শান্নবদা দিসাইদিং গেমদা ২১-২৩দা পোরমদ্রবা মখোয় অনিসু পোজিসন ১-৪গী লমজেলদা য়াওবা ঙমলম্বা য়াই ।

মিক্সদ দবলসতা কে দিঙ্কু/কে প্রিয়া গ্রুপ এদা সুমিথ রেদ্দী/অসৱীনী পোন্নাপাদা ৮-২১, ১৯-২১দা পোখি অদুগা এদৱীন জোয়/সরুতী মীসরাগী খুত্তা ২১-১০, ১৬-২১, ১৩-২১ দা মায়থীখি । সুমীথ রেদী/অসৱীনী পোন্নাপাদি ফাইনেল পোজিসন ১ দা লৈখি অদুগা এদৱীন জোয়/শরুতী মীস্রানা পোজিসন ৬ তা লৈখি ।

সিলেক্সন ত্রাইএল অসিগী রিজলট য়েংলুরগা খঙবা ঙম্মী মদুদি মনিপুরগী মৈরাবা (সিঙ্গলস) অমদি মনজিৎ/দিঙ্কু (দবলস) মরাইবক লৈরল্লবদি সিলেক্সন ফংদুনা ইন্দিয়ানা থোমাস কপ অহানবা ওইনা টাইতল হোলদর ওইখিবা টিমগী মনুং চনবা ঙল্লমগদবনি ।

চাইনাদা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি লাংলম্বা এসিয়ন গেমস কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ২০২৩দা য়ৈথোকখ্রে । মরম অদুনা হান্না সেলেক্সন ত্রাইএল অসিদগী খনিখবা টিম অদু নৌনা অমুক খন্নবা ৱাফম লাক্লে । করিগুম্বা নৌনা পাঙথোকপা সিলেক্সন ত্রাইএলদা মখোয়না নিংথীনা শান্নদুনা সিলেক্সন ফংবা ঙল্লবদি ২০২৩ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওদুনা শান্নবা ফংবগী খুদোংচাবা লৈরী । ●

## ষ্টেটকী পাউ

# মালাগী ৩৫ শুবা ফাউন্দেসন দে কম ফেলিসিটেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা) না শিন্দুনা ঙসি ওল্ড এসেমব্লি ম্যুজম এন্দ আকাইবস হোলদা এসোসিএসন অসিগী ৩৫ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মালাগী পেত্রোন মেম্বরশিংবুসু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লংথাবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন, ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি মালাগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুনা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়, লাইব্রেরী অসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লাইব্রেরীগী ঈহৌ অসি লমদম অসিদা হৌরকপা কুইরবসু মপুঙ ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি। মসি লাইব্রেরিনা পীরিবা কান্নবশিং অদু খঙবা ৱাৎপননি। লাইব্রেরিগী ওইনসু সেপরেট দাইরেক্টোরেট অমা লৈরবদি হেন্না ফবা হায়বদু ওইগনি। অতোপ্পা লৈবাক্তা লাইব্রেরিগা মরী লৈনবা হিরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌবা লৈতে। মরমদি লাইব্রেরী অসি তুংগী মীরোল শেম্বদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা থৌদাং লৌরিবনি।

অমরোমদা লাইব্রেরী শানবা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী .২৫ চাওবা লম অমা পীদুনা লৈরে। অদুবু লাইব্রেরিগী ওইবা ঈহৌদদি লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না শোল্লি। লাইব্রেরিগী ঈহৌ কনখৎহন্নবা হোৎনবদা লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা নহাশিংসু শরুক য়াশিনবগী তঙায়ফদবা লৈ। মহাক্কী মায়কৈদগীসু মালানা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং অমদি লাইব্রেরিগী খোঙজং কনশিন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগী ওইনদি অয়েৎপা য়াওদনা মতেং পুম্বা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরমদি লাইব্রেরিগী কান্নবা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ফজনা খঙই হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা এসোসিএসনগী পেত্রোন মেম্বর এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং এম এল এ রামেশ্বরবুসু তরাম্না ওকখি।

/ লৌ য়োঞ্জরি

National Highway গা হেক থংননা লৈবা জিরি বজারগা নক্লবা লৌফম অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইনা মোবাইল নম্বর 9863449232 / 9863572610 অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/2795/25, 26, 27

/ HELPER পামজে

য়ূমগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংবীরগা য়ূমদা পূন্না লৈমিন্নবা য়াবা মশাগী চহী ৪০ গী মথক ওইবী Helper অমা অথুবগী পামজে। পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

Contact : # 7005593198
# 9366608424
# 8787527427

HL-P/2786/24, 25

ADJOURNED GENERAL BODY MEETING

/ NOTICE

Dated, the 24th May, 2022

Manipur Masters Athletics Association গী Adjourned General Body Meeting লাক্লিবা 29th May, 2022, Sunday দা হান্নগী মফম অমসুং মতম অদুমক্তদা পাঙথোকচরগনি।

Sd/- Sh. Jayantakumar Sharma
Secretary i/c
Manipur Masters Athletics Association,
Manipur

HL-P/2587/25




HL-P/2734/24-27

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।